## পি শরৎচন্দ্রনা পম্প সেটশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): নোং তাবগী চাং ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরিবা লৌমীশিংগী অপান্বা মতুং ইন্না ঙসি মোইরাং এসিগী এম এল এ পুখ্রেম শরৎচন্দ্রনা এসি অসিগী মনুং চন্না লৈবা লৌমীশিংদা ইরিগেসন পম্পশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না এম এল এ ওফিস, মোইরাং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর পি ঐচ নিলমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম শাংনা ফেল ওইরবা ফিভমদা লৈরম্লবা মোইরাং লো লেভেল কেনেল নীংথিনা শেমজীন্দুনা ঈশিং থাবা হৌদুনা ফুবাল্লা, সুনুসিফাই অমসুং নারানশৈন্যগী লৌমীশিংগী অৱাবা খরদং ওইরবসু কোকহনবা ঙল্লে। মসিগী মখা তারকপদা লৌমীশিংনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংহনবীনবা হায়রকপদগী ঙসি লমদম অসিগী লৌমীশিংদা ইরিগেসন পম্পশিং অসি য়েন্থোকপনি। পম্পশিং অদু হান্নদগী এম এল এগা খূৎশম্মনা থবক তৌদুনা লাকপা দিভেলপমেন্ট কন্মিটিশিংগী খূথাঙদা কন্মিটিশিং অদুনা কোনবা মফমশিংগী লৌমীশিংদা কান্নবা ফংহন্নবগীদমক পীখিবনি। ঙসি ইরিগেসন পম্পশিং য়েন্থোকখিবা কন্মিটিশিং অদুদি ফুবালা, সুনুসিফাই, নরানশৈন্য, টৈরাখোঙশাংবী, খুদেকপী অমদি ত্রোংলাউবী দিভেলপমেন্ট কন্মিটি অসিনচিংবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ‘পোষ্টিং পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি’

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৬ বেটচ মণিপুর রাইফলসকী পোষ্টিং অমদি এপোইন্টমেন্ট লেট্টর পীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর সেলেক্টেদ কেন্দিদেট ওফ মণিপুর রাইফলস মেল ২০১৬ বেটচকী ৱাঙাঙলোয় সোরসাং মুংনা পাউমীশংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়খি, মতম কুইনা নমশিন্দুনা থম্বগী অৱাবা কয়া মায়োক্ল দুনা লাকখিবনি। চহীসিগী জন্যুৱারী ২৩ দা রিজল্ট হায়দোকখি। থা ৫/৬ হেল্লবা ফাওবা এপোইন্টমেন্ট পীদনা থল্লি। মতম কয়াদগী ৱারক্লবা কেন্দিদেটশিং অসিগী খনবীদুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর পীবীয়ু। থা অসিগী ১৫ ফাওবদা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর পীদ্রবদি থা অসিগী ১৬ তগী কেন্দিদেটশিংগী অহল-লমনশিংগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট সাইন্স কম্যুনিকেটর এৱার্দ ২০১৯ গীদমক এপ্লিকেসন ফোর্ম সবমিসন তৌবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৫ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সীলগী দিরেক্টর টি ঐচ সুরেন্দ্রনাথনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এপ্লিকেসন ফোর্ম অমদি গাইদলাইনশিং ওফিস অসিদগী লৌবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল কাউন্সীল অসিগী ওফিসতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## প্রেমিয়র সো উৎলগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী প্রদক্সন, দান্স দ্রামা গনধারিগী প্রেমিয়র সো থা অসিগী ১২ গী নুংথিল পুং ৫ তাবদা একাদেমী অসিগী ওদিটোরিয়মদা উৎলগনি হায়না জে এন এম দি এগী সেক্সন ওফিসর (এদমিনিষ্ট্রেসন) না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দান্স দ্রামা অসি ও জিতেননা ইবনি। সো অসি মিনট ৫৭ লোম শাংই। থৌরম অসিদা মণিপুরগী গভর্ণর বালাকৃষ্ণ অর্চ্যারিয়ানা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি। একাদেমী অসিগী ভাইস চ্যেরমেন প্রোফেসর ঐচ তোম্বীনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

## হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুল কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবা অঙোম পোকপা ইবুধৌ পুরৈরোম্বা অমসুং ইবেনধৌ পিথিৎলৈমা অনীগী চহীগী ওইবা ইকৌদুনা ইবুধৌ ইবেনধৌগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম থা অসিগী ১৩ দা পাঙথোক্লগনি হায়না অঙোম নিংথৌ, সনা কোনুং অঙোম অমুবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। নুমীৎ অসিদা অঙোম সলাইগী য়েক-চাশিংনা মতম চানা লাক্তুনা ইবুধৌ ইবেনধৌগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# হেমাম নিলামনিগী ১০৭ শুবা মপোক নুমীৎ কুমওন থৌরম আই এন এ হোলদা পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): বৃটিশতগী নীং-খা তম্নবগী লানদা শরুক য়ারম্বা মণিপুরগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরম্বা হেমাম নিলামনিগী ১০৭ শুবা মপোক নুমীৎ কুমওন থৌরম ঙসি আই এন এ হোল, মোইরাংদা পাঙথোকখ্রে।

হেমাম নিলামনি চেরিটেবল ট্রষ্ট, মোইরাংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী হৌরকপদা লৈখিদ্রবা অসিগী মীতমদা লৈ-শু কৎখি। মহাক্কী পুন্সি ৱারী কয়াসু রিছোর্স পার্সনশিংনা লীখি। হেমাম নিলামনি নীংতম লান্মী ওইবতা নত্তনা মোইরাংদা শেন্মীৎলোন ফঙাৎহন্নবা অমদি লাইরিক-লাইশুগী মরমদা ফঙাৎনবা হোৎনরম্বা মীওইনি। স্কুল অমদি কোলেজ শাবদা অচৌবা থৌদাংসু লৌরম্মী।

মহাক্কী মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা চহী অসিগী ক্লাস টেন অমদি ক্লাস টুয়েল্ভ এগজামশিংদা এ সী অসিগী ওইনা আর্টস অমদি সাইন্সতা মকোক মথং তারক্লবা মহৈরোয় ৫ দা কেস প্রাইজ অমদি মমেন্টো পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেমাম নিলামনি চেরিটেবল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট হেমাম বাভুদোননা লমদম অসিগী অথৌবা অমনা কথোক্লম্বা অমদি মহাক্লা তুংগী মীরোলশিংগীদমক তম্বীরম্বা লমদম অসিগী চৎনবী লমখৈ অমদি নীংতম্বা ঙাক্লবগী ৱাখল্লোন অসিবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা হর্বাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল কে নবচন্দ্র, মুক্তা হায় স্কুল মোইরাংগী রিটয়র্দ হেদ মাষ্টর পি ঐচ শামু অমসুং মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রিটয়র্দ প্রিন্সিপাল টি মংলেমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মোইরাংগী তোঙান তোঙানবা স্কুল কয়াদগী মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি।

# মীশিং য়ামহনবা ফৈ, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টসু তঙাইফদে : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): মীশিং য়ামহনবা ফৈ, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টসু তঙাইফদে হায়না হেল্‌ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (ইমা) হোল লম্ফেলপাৎতা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট হেল্‌ঠ সোসাইটি, এন ঐচ এম অমদি দিরেক্টোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফেয়র সার্ভিসেস মণিপুরনা শীন্দুনা ফেমিলি প্লান্নিং ফুলফিল্ডিগী রেস্পোন্সিবিলিটি ফোর পিপ্যারিং এ হেল্দি মার্দর এন্দ চাইল্দ হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা হেল্‌ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দে অসি মালেমদা পাঙথোক্লরি। ইচম-চম্না থৌরম পাঙথোকপদা নত্তনা করম্না অফবা থবক তৌগদগে হায়বসি খন্নমিন্নবা চঙই। গুদ গভর্ণান্স হায়বসি করম্না লেপকদগে হায়বা খন্নবা তাই। সোসল দিভলপমেন্ট, কম্যুনেল হার্মোনি অমদি ঈং-তপ্পা পাম্মী। অসিগুম্বা কয়া অসি লৈহনবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা হায়খি, ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগী থৌরম মালেমগী লৈবাক কয়াদা অমদি ষ্টেট কয়াদা পাঙথোক্লরি। মীশিং য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না চীঙ্গাক ৱাৎলকপসু হেনগৎলকই। মী ময়াম্না হোন্দোরকপা কার্বোন দাইওক্সাইদনা ক্লাইমেটতা অহোংবা লাকহনবা কয়া অসিদা ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দে ওবজর্ভ তৌদবা য়াদে হায়না তৌরকপনি। কুমজা ১৯৮৯ দা পাঙথোকপা হৌখি। কুমজা ১৯৮৭ দা মালেমগী পোপ্যুলেসন বিল্লিয়ন ৫ য়ৌখি হায়নসু মখা তাখি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী জোইন্ট সেক্রেটরি রাম পেতরনা হায়খি, কুমজা ২০১১ দা মীশিং বিল্লিয়ন তরেৎতা হেনগৎখি। কুমজা ২০৩০ দা বিল্লিয়ন ৮.৬ য়ৌগনি হায়না পারি। মালেমদি চাউবা হেনগৎলক্তে। মীশিংদি হেনগৎলকই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী এদিসনল দিরেক্টর ডা. সসিকুমার অমদি ডা. সলামাতুলাসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মাস রেল্লি অমসু চৎখি। রেল্লি অদুদা হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী ওফিসলশিং অমদি ষ্টেটসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র সার্ভিসেসকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগা মরী লৈননা অখঙ-অহৈ কয়ানা হিরমসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

# ‘ৱেজেজকী মতাংদা থোক্লিবা এম ও বি সী দিরেক্টরগী ওর্দর য়াবা ঙল্লোই’

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): মদ্রাসা মোর্দনাইজেসনগী কন্ট্রেক্ট ওজা ১৫০ গী ৱেজেজ পীগদবনি হায়না তাল্লিবা দিমান্দগী ওন্ন-তৈনবদা ওজা ১১৪ গী পীনবা এম ও বি সীগী দিরেক্টরনা থোক্লিবা ওর্দর অসি য়াবা ঙল্লোই হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (অম্মাসো) গী সেক্রেটরি জেনরেল খুল্লাকপম অযুব খাননা ফোঙদোকখ্রে।

হট্টাদা লৈবা অম্মাসোগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা অযুবনা হায়খি, কুমজা ২০১৮ গী মার্চ থাদগী মদ্রাসা মোর্দনাইজেসন স্কিমগী মখাদা মতম শাংনা ৱারক্লবা কন্ট্রেক্ট ওজা ১৫০ রেগুলর তাহন্নবা অমদি ৱেজেজ পীথোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। চীফ মিনিষ্টর অমদি গভর্ণরদসু মেমোরেন্দম পীশিনবা লৈখ্রে। ওজা ১৫০ মক রেগুলর তাহনবীয়ু। ওজা ১১৪ গী ৱেজেজ কায়থোক্লবা হোৎনরিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। ওজা ১৫০ মক্কী ওইনা মশা-মশাগী একাউন্ট হাংহন্দুনা পীথোক্কদবনি। দিমান্দ অসিগী ওন্ন-তৈনবদা লাক্লবদি মীয়ামগা খুৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শাবা লোইরে। ৱেজেজকী মতাংদা থোক্লিবা ওর্দর য়াবা ঙল্লোই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# বোর্দর পিল্লর ৮২ হেঞ্জিন্না য়ুংশিল্লম্বগী ৱাথোক অচাকপা মৈদা ঘী হৈবগুম থোক্লে : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮২ মিটর ৩০০ লোম হেঞ্জিন্না ম্যান্মার আর্মিনা য়ুংশিল্লম্মী হায়বগী ৱাথোক অসি অচাকপা মৈদা ঘী হৈবগুম থোক্লে হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) গী প্রসিদেন্ট অব্দুলা পথাননা ফোঙদোকখ্রে।

হট্টাদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা অব্দুলা পথাননা হায়খি, মমাঙদা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ গী ইস্যুদসু সর্ভে তৌগনি হায়রগা নমশিন্দুনা লৈখ্রে। হোলেনফাইগী নিংথৌগী সো মিল ফাওবা লৌখ্রে হায়বগী ৱাথোক লৈরিবনি। বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮২ দা অমুক ম্যান্মার আর্মিনা মিটর ৩০০ লোম হেঞ্জিল্লক্লগা য়ুংলম্মী হায়বগী ৱাথোক অসি অচাকপা মৈদা ঘী হৈবদৌনা মণিপুর মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওবা হৌরে। কবো ভেলিসু অদুম্মক মাঙখ্রে। ঐখোয়গী লমশিং তপ্পা তপ্পা মাঙলকপগী ফীভম লাকপসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কয়া য়াম্না শেন্নবীরিবগে। ঐখোয়গী লম অমদি পুন্সি ঙাকপা ঙমদবা তারবদি মীয়ামদা বাউন্দরি ঙাকচনবগী রাইট শীন্নবীরো হায়বা দিমান্দ তৌরক্লগনি।

রাজস্থান, পঞ্জাবনচিংবদা হেঞ্জিল্লকপা তারবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খাংদুনা লৈবা ঙমগদ্রা। মণিপুরগী লম মাঙশিল্লক্লিবা অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তুমীন্না লৈশিল্লিবসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর মীয়াম্বু করম্না খল্লিবগে হায়বা ৱাহং লাক্লি। মণিপুর মীয়ামগী লন-থুম অমদি বাউন্দরি ঙাকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো। ফম্নাইবশিংনা ফম মুন্নবদা দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা লৈরি। মিটর ৩০০ হেন্না হেঞ্জিল্লগা পিল্লর য়ুংশিল্লকপদা মীৎয়েং চঙদনা লৈথোকপা অসি চেকশিনবা ফৈ। বোর্দরগী মতাংদা হেন্দল তৌরিবা লূপশিংগা পুল্লগা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

# সেকমাইজিন খুনৌদা উ-চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): গ্রীন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি হিয়াংলম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা আর ৱাই দি ও ক্লব সেকমাইজিন খুনৌদা সোসল ৱার্কর মাইবম সুরচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা আর ৱাই দি ও ক্লবকা খুৎশম্নদুনা উ-চারা ৪০০ রোম থাখ্রে হায়না গ্রীন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্প্যেনগী চেরোল অমনা হায়রি।

উ থাবগী থৌরম অদুদা মাইবম সুরচন্দ্রনা গ্রীন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্প্যেনগী মখাদা হিয়াংলম এ সীদা উ-চারা থাদুনা পুংশং শংবা এ সী অমা ওইনবা অমদি গ্লোবেল ৱার্মিংদগী খজিত্তুং ওইরসবু ঙাকথোক্লবা কেম্প্যেন অসি পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ককচিং লমখায়, ৱাইখোং, ৱাঙু লমখায়, দবলো খোং, হিয়াংলম অমদি আর ৱাই দি ও ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা লৈকায়গী অহল-লমনশিংগা লোয়ননা উ-চারাশিং থাখি। থৌরমদুদা গ্রীন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্প্যেনগী ভলন্টিয়রশিংদা টি-সার্টসু য়েন্থোকখি।

হিয়াংলম এ সী অসি অশংবা উপালশিংনা নীংথিনা হৌবা লমদম অমা ওইহন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা গ্রীন হিয়াংলম কেন্দ্র কেম্প্যেন অসি পায়খৎলকখিবনি। কেম্প্যেন অসিগী মখাদা এ সী অসিগী মনুং চনবা মফম কয়াদা উ-চারা কয়া থাবগী থবক চথরক্লি। উপাল-ৱাপাল য়োকখৎপগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লি হায়রি।

# ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবা খোঙজংগী মনুং চন্না এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেন্টস দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না ময়ায় কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অযুক পুং ১১ দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মৈত্রমদা লৈবা অজাদ ইংলিস একাদেমীদা একাদেমিক এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ‘ময়াই কাবা চীঙ্গাকনা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং’ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা প্রিসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা অজাদ হায় স্কুলগী প্রিন্সিপাল য়ুম্নাম রুপেন্দ্র, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটিগী সেক্রেটরি জেনরেল কোংৱাইলাৎপম বিনানচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

রিসোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা কাদাগী জেনরেল সেক্রেটরি গিটচন্দ্র মঙাঙনা হায়খিবদা, অঙাং অমনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা হৌরকপা হায়বসি ঐখোয় ঐখোয়গী ইমুং মনুংদগী হৌরকই। য়ুমগী মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংগী মমাংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নবনা অফ-ফত্তা খঙদ্রিবা অঙাংশিংনা মতৌ তম্লকই। অঙাংশিংনা মতৌ তম্লক্তনবা মমা-মপাশিংনা কৈদৌনুংদা মখোয়গী মমাংদা ময়ায় কাবা পোৎলম শীজিন্নরোইদবনি। মহৈরোশিংনসু পুন্সিদা মায় পাকপা ওইনবা ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং চাংয়েং তৌগে খল্লোইদবনি। ঐখোয়না নুংতিগী লোয়ন-তিন্নরিবা ইমান্নবশিংনা পীরকপা প্রেসরদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওই, মরম অদুনা ইমান্নবা তিন্নবদা চেকশিনবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা রিসোর্স পর্সননা স্লাইদ কাপ্পুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা হকচাংদা পীবা অমাঙবা কয়াগী মতাংদসু শন্দোক্লা তাকখি। খুন্নাইদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা পীরক্লিবা চৈথেং কয়াগী মতাংদা রিছোর্স পার্সন কয়ানা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থমখি হায়নসু কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): আর্ট এন্দ কলচরগী শেন্থং মখাদা চথরকপা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লাইরেন মখোই চুঙ্গোই মরোল ওফ মণিপুর লোইশিনবগী থৌরম ঙসি কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা মীতৈ ইন্দিজিনস থাঙ-তা এন্দ কলচরেল ইনষ্টিট্যুটকী হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না ইনষ্টিট্যুট অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী উপ-অধক্ষা ক্ষেত্রিময়ুম তমানা চীফ গেষ্ট, ইন্টরনেসনল মোর্দনাইজ একাদেমীগী সেক্রেটরি ৱাই থম্বালঙৌনা গেষ্ট ওফ ওনর, ইনষ্টিট্যুট অসিগী দিরেক্টর কে ঐচ সুরচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোয় নুরুল হসননা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি হায়নসু ইনষ্টিট্যুট অসিগী সেক্রেটরিগী চেরোলনা হায়রি।

# ভলন্টিয়রশিংনা ইথাই ভিলেজগী য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চঙদুনা এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন চথখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): পুং ৫০ চূপ্পা চথুগদবা অনীশুবা স্বচ্ছ ভারত সম্মর ইন্টর্নশিপ (ভোলন্টরি ইন্টর্নশিপ প্রোগ্রাম)গী শরুক অমা ওইনা নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্গথন, বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা দ প্লেইন এন্দ হিলস দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (পি ঐচ দি ও), ইথাই খুনৌগী ভলন্টিয়রশিংনা ইথাই খুঙ্গংগী য়ুমথোং খুদিংদা চঙদুনা ‘তুমগদৌবা (দিগ্রেদেবল), তুম্মোইদবা (নন-দিগ্রেদেবল)’ হায়বা হীরম অসিদা এৱ্যের্নেস কেমপেইন অমা পাঙথোকখ্রে হায়না পি ঐচ দি ওগী সেক্রেটরি সোমোকান্ট কারামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পি ঐচ দি ওগী ভলন্টিয়র ১০না শরুক য়াদুনা চথরিবা কেম্পেইন অসিদা পুঙ ৫০ গী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা এক্টিভিটিশিং পাঙথোক্কনি। ইন্দিয়া পূম্বদা পাঙথোক্লরিবা অসিগুম্না পি ঐচ দি ওগী ভলন্টিয়রশিংনসু সম্মর ভেকেসন মনুংদা লেম্না লৈথোকপগী মহুত্তা কেম্পেইন অসিদা শরুক য়াজবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী লম্বীগী ফীভম হান্নদগীদি ফগৎলে, চীংফু লম্বীগী শরুক কয়াসু শেম্লে : রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা লৈরিবা লম্বীশিং মমাঙদা লৈরম্বা ফীভমদগীদি য়াম্না ফগৎলে। চীংফু রোদসু অয়াম্বা শরুকশিং শেম্বা লোইশিল্লক্লে হায়না বি জে পি নাওরিয়া পাখংলাকপা মন্দলগী সেক্রেটরি এম রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

নাওরিয়া এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ঙসি বি জে পি নাওরিয়া পাখংলাকপা মন্দলগী মীওইশিং য়াওনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা এম রঞ্জিৎনা মখা তানা হায়খি, ক্বাকৈথেলদগী চীংফু রোদ তাবা লম্বী অসি শরুক কয়া কোয়লাস থাদুনা লৈরবনি। শেমগদবা মতেক খরা লৈরি। এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা লৈরেঞ্জম সাবল লম্বী অসি পি এম জি এস ৱাই রোদ ওইবনা ষ্টেট ফন্দগী মখাদা শেম্বা য়াদবগী লৈবনি। লম্বী অসিসু নীংথিনা শেম্নবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরিবনি। নাওরিয়া পাখংলাকপগী অয়াম্বা লম্বীশিং ব্লেক টোপ তৌবা লোইশিল্লক্লবনি। লম্বী কয়া মেছিন্না কোয়লাস থাদুনা নান্না লৈরবনি।

মরকসিদা, ঙরাং এ সী অসিগী এক্স-এম এল এ অমনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা অদু য়ানিংদে। লম্বী-থোং শেম্বা অমদি য়াইফ থৌরাংগী থবকশিংদা মমাঙদা লৈরম্বা ফীভমদগী হৌজিক্লা য়াম্না ফগৎলবনি। হৌজিক নোং চুবগী চাং ৱাৎপদগী লৌফমশিংদা ঈশিং লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি য়েংলগা এ সী অসিগী এম এল এনা মশানা পম্প সেট কয়া ফাওবা ৱাইদুনা আর এল আই স্কিম কয়া থবক তৌহন্দুনা লৌফমদা ঈশিং চিংশিনবা হৌরবনি। নম্বোল তুরেল অমদি ৱাইশিল মরিলদগী ঈশিং চিংখৎলগা লৌফমদা ঈশিং থাজিনবগী থবক য়াম্না কন্না চথরি। লৌফম কয়া হৌজিক লৌ থাবা হৌনরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নাওরিয়া পাখংলাকপগী নফসাগী নোমিনি ওইরিবা এস লোকেননা ফোঙদোকখিবদা, কন্ট্রেক্টরনা পীরকপা চেঙ এ সী অসিগী মীয়ামদা চাং নাইনা ফংহল্লি। এ সী অসিগী ওইনা নফসাগী মখাদা চেঙ য়েনবা হৌরকপা মতমদা বেনিফিসরিশিংগী কার্দতা অশোয়-অঙাম য়াওরম্বনা মরম ওইরগা মদু চুমথোক্লবা হোৎনরি। অশোয়-অঙামশিং চুমথোক্ত্রিঙৈ মরক্কী ওইনা ভোটর লিষ্টতা য়েংলগা য়েন্থোকপা হৌখিবনি। হৌজিক বেনিফিসরিশিংগী কার্দ চুম্না শেম্বগী থবক য়াম্না কন্না চথরি। অথুবদা লোইশিল্লক্লগনি। কার্দকী মতুংইন্না য়েনবগী থবক পায়খৎলক্লগনি। বাইওমেট্রিক সিষ্টেমদা য়েন্নবগী থৌরাং অমসু ঙরাং হৌদোকখ্রে। সিষ্টেম অসি পায়খৎতুনা চেঙ য়েনবগী থবক চথবদা খুম্মাং চাউশিল্লক্কনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Moulding Medical and Engineering Career
Admission Open For

2nd Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Class Commence : 15th July 2019

Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system
Class Commence : I8th July 2019

Physics Faculty
Madam Tamphasana
Former Lect.: HRD Academy
St. Joseph's School
Maria Montessori Sr. Sec. School

Chemistry Faculties
1. Miss Nuja
Lect. .................... Sch.
2. Miss Saroja
Lect. MEM Hr. Sec. Sch.

Biology Faculties
1. Miss Lunfasana
Former Lect. HRDA
2. Sir Romharsha
Lect., KP College

Maths Faculties
1. Sir. L, Basanta
Former Lect.: HRDA
2. Sir Ingobi
Lect. ADVANCE Sch.

English Faculty
Sir. Susil Singh
Former Lect. :
Little Master Sch.
KP College & DAV

Facilities : Free Text Books Sets, Study Materials, Weekly Unit Test . Van Services Hostel (Boys & Girls)
Office timing: 7 am - 7 pm

Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001

HL-B/5460/11-30june/1-10july

RVTC
Rahmania Vocational Training Centre

Main Office:
OPP. Hundred Flowers School
Thangjam khunou Khurai
Pangei road, Imphal East

Branch Office:
Zomi Villa Gate, North AOC
Imphal West

ADMISSION OPEN (July Session 2019)

Applications are invited for admission to various Certificate & Diploma courses (July Session 2019)

| COURSE CODE | Course Name | Min. Entry Qualification | Seat availability |
|---|---|---|---|
| SIX MONTHS COURSES | | | |
| ADV-219 | Certificate in Digital Film Making | 10th pass | 20 |
| COM-1243 | Certificate in Secretarial Practice | 12th pass | 30 |
| SEC-1041 | Certificate in Public Relations Officer (PRO) | 12th pass | 30 |
| SEC-1032 | Certificate in Personality Development | 10th pass | 30 |
| COM-470 | Diploma in Call Centre Training | 10th pass | 30 |
| COM- 471 | Diploma in Computer Application (DCA) | 10th pass | 30 |
| THREE MONTHS COURSES | | | |
| ADV-199 | Certificate in Digital Camera Photography | 8th pass | 30 |
| COO- 524 | Diploma in Baking, Confectionary & Cake Art | 8th pass | 25 |
| CUT-549 | Certificate in Tailoring | 8th pass | 20 |
| CUT-552 | Certificate in Dress Designing | 8th pass | 25 |
| ONE YEAR COURSES | | | |
| ADV - 227 | Diploma in Journalism & Mass Com. | 12th pass | 30 |
| TEA-1276 | Diploma in Montessori & Nursery Teacher training | 10th pass | 40 |
| COM-494 | Post Graduate Diploma in Computer App.(PGDCA) | Graduate | 30 |

Other Details

1. Application form is available at the Centre's Office or Download form from www.rvtcimphal.co.in
2. Class commencing from - 15th July 2019
3. Candidate can apply for more than one course but a separate application shall have to be submitted for each course.
4. The Training Centre is approved by NCVRT under Ministry of Corporate Affairs.
5. Office Hour- 10:00 am to 3:00 pm.
6. Contact us at 7005975343/8837073797 or visit us at www.rtvcimphal.co.in

HL-P/3360/10,12,14